ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্ভ এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক তন্বা ঙমদ্রেঃ এমসু

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম), কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমদি অতৈ বোর্দশিংনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক তন্বা ঙমদ্রে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লুনপাউ লুখেংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা মার্চ থাগী অরোইবা য়াওলদগী মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা তমথিরবা লায়না লায়চৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা লমদম অসিদা অকনবা লোকদাউন তৌখিবনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা চৈথেং ফংদুনা লৈরি।

ঙসি ঙসিমকসু তমথিরবা ভাইরস অসিগী পোজিটিভ ওইবা মীশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা লোয়ননা লায়না অসিনা শিবগী মশিংসু নোংম নোংমগী লেপ্পা লৈতনা মশিং হেনগৎলক্লি।

ইরমদম অসিগী নোংমগী চারা তাঞ্জরগা হিংজরিবা ইমুংশিংদা লায়না লায়চৎ অসিনা অচৌবা চৈথেং পীবতা নত্তনা হিংনবা হোৎনবদা ভাইরস অসিবু তুংওইনরক্লগা অফংবা থবক শু নোম্বা অমদি মচি মচিদা অরৈবা এঞ্জাং নাপী য়োন্দুনা ইমুং পুনবা কন্না হোৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্কা উরি।

মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা কৈথেল অমা ওইরিবা ইমা কৈথেল অমদি কৈথেলশিংগী অকোয়বদা ইরমদম অসিগী মায়কৈ কয়াদগী য়াম্লবা মীয়াম অমনা মনা মশিং, ফিরোল অমদি তোঙান তোঙানবা আইটেম কয়াগী পোৎচৈশিং য়োনদুনা ইমুং মনুং পুজরম্বা অদু লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা কৈথেল ফম্বা য়াদনা লেপ্পনা কৈথেল অসিগী মপালনা ইমুং মনুং পুরম্বা মীওই কয়াগী অৱাবা অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবিয়ু। লায়চৎ অসি মপুংফানা লাকশিনবদা নুমিৎ মশিং য়াম্লা চঙগদবা ওইবনা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা পোলিসি অমা শেম্বা মীয়াম্না পাম্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা মহৈ তম্ফমশঙশিং থিংদুনা লাকপনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয় কয়াগী মরাইবক তন্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লুম্না লৌবীদুনা থবক পায়খৎলকপগী মমি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীয়াম্না উদ্রি। লোয়ননা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা কোলেজ খরদা সর্ভে চৎপা নত্তনা অনৌবা খোঙথাং অমত্তা পায়খৎলকপগী মমি উদবসি মীয়ামগী লায়বক থিবনি। নাকল অমরোমদা জে এন দান্স একাদমিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা মণিপুর লোন মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সি) না পাঙথোকপা এগজামশিংদা মীতৈ ময়েক্লা থাবা য়ানবা কেবিনেটতা পুখৎলক্কগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু এমসুনা তরাম্না ওকই। ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

লমদম অসিগী মহৈ মশিং তন্বগী পরিং অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি মতমচানা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি তুংগী মরায়বক লেপচগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী লুরবা তানফম অমা ওইরিবা বোসেম, কোসেম অমদি অতৈ বোর্দশিংনা পঙথোকপা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা চাংয়েং পরিক্ষ্যা অসি মায়োক্নবা ঙমগদ্রা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনদি ওইথোকপগী ৱাংমদা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহৈরোয়শিংগী অচৌবা এগজাম অসি মায়োক্নবা ঙম্নবা অখন্নবা থৌরাং অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপীরকপগী মমি উদবা অসি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংগী য়াম্লা লাইবক থিবনি। মতাং অসিদা লমদম অসিগী লনাই মহৈ লোয়শঙ অয়াম্বদি লায়চৎ অসিনা অথিংবা থল্লিঙৈ মনুং অসিদা মহৈরোয়শিংদা ওনলাইন ক্লাস তৌবা য়াওনা অতৈ অতৈ পাম্বৈ খরা শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ মশিং খরদা ওইরবসু তাকপী তম্বীনবা হোৎনবা ঐখোয় পুম্নমক্না উবা ফংলি।

অমরোমদা য়াম্লা লাইবক থিরিবদি লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ অয়াম্বদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মরায়বক কমদৌগদগে হায়বসি লৈঙাক্লা মতমচানা মীয়েং চঙহৌবা চুমগনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মহৈরোয়শিংনা করম্না ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজাম থাগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মহৈরোয়শিংগী তুংগী লায়বক লেপকদবা অচৌবা চাংয়েং অসি মায়োক্লগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা চরাংনবা লাংতক্নবা কয়া পোক্লিবা অসি মতমচানা য়েংশিন্দুনা করিগুম্বা থবক খরা পায়খৎহৌদ্রবদি তুংদা খুন্নাই অসি মাংজবা শোইদনা ওইরক্কনি।

চৎলিবা একাদমিক সেসন অসিগী ওইনা বোসেম, কোসেম অমদি অতৈ বোর্দশিংনা পাঙথোক্কদবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজাম অসি হান্না পাঙথোক্লম্বা মতমদগী খরা চোন্থনা পাঙথোক্লবসু শোয়দনা পাঙথোক্কদবা এগজাম অমা ওইবনা হীরমসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মতম চানা এক্সপার্টশিং তান্নদুনা থবক লৌখৎপীনবা মহৈরোয় লুপ অসিনা আপীল তৌজরি।

হীরমসিদা হেন্না লুরিবদি লন্নাই লোয়শঙশিংদগী ঙমজবী থাদুনা উপায় অমা নৎত্রগা অমা থিদুনা ওজাশিংগী য়াম্বা য়ামদবা থাগী সেলরি পীবিদুনা ওনলাইন ক্লাস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ কয়া পুথোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ মশিন তম্বদা লৈরম্বা অৱাৎপা অদু খরদা ওইরবসু মেনখৎনবা হোৎবগী মমি উরি। অমরোমদা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অয়াম্বশিংগী ওইনা থাগী সেলরি চাও চাওনা ফংলিবা ওজা কয়ানা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তুম্মিন্না লৈশিনবীবা অসি তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক করি খল্লিবগে।

লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী য়াথং ঙাইদুনা লৈথোকপা ৱাখল লৌশিং লৈরবা ওজাশিংগী ৱাখলদগী মতৌ করম্না ক্লাস তৌবা য়াদ্রবা মহৈরোয়শিং অসিগী করি করম্বা থৌরাং লৌশিন পায়খৎলগা মহৈ মশিন তম্বা ফংহনবা য়াবগে হায়বগী ৱাখল অমত্তা পুথোক্তনা তুমিন্না লায়না অসিবু কিরিবনি হায়দুনা মহৈরোয়শিংগী করিসু খনদনা লৈথোকপদুদি ওজা অমা ওইবগী মতিক চাদে হায়না এমসুনা লৌই। ইম্ফাল ময়োলগী হায়র সেকেন্দরি খরা ওন লাইন ক্লাস তৌরিবা অসিসু নোংমগী চরা তান্দুনা মচা মশু লাইরিক তম্নবা হোৎনজরিবা ইমুংশিংদা স্মার্ট ফোন লৈতবনা ওন লাইন ক্লাস য়াওবা ঙমদবা কয়া য়াওরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ৱাকৎশিং লাক্লি।

লমদম অসিগী মহৈরোয়শিং মরু ওইনা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদগা তম্লিবা মহৈরোয়শিং অসি স্মার্ট ফোন পায়বা ঙমদবা কয়া অমসু য়াওবনা লৈঙাক্লা মহৈরোয় পুম্নমক কভর তৌবা ঙমগদবা মেকানিজম অমা পুথোকপীরগা তেল্লবসু তেন্না থা খরা অসিদা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীহৌনবা হোৎনবা অসি য়াম্না তঙাইফদবনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চংবিদুনা হেল্থকী মরী লৈনবা এক্সপার্টশিং তান্নরগা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীদুনা অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা এমসুনা মণিপুর লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
চাইল্ড সেফতি এন্দ হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইবা ট্রেনিং অমসুং কন্সোলেসনগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি শঙলেন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ই সি পি এ টি লুজেমবর্গগী সপোর্ট মখাদা এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্ষনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (টি দি দব্লিউ জে য়ু) গা খুৎশম্নুনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা টি দি দব্লিউ জে য়ুগী প্রসিদেন্ট সোইবম বিজয়, চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রপার্সন থিয়াম রাজকেশ্বর অমদি এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্ষগী প্রোজেক্ট ওফিসর সুনিল মীতৈনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা ঈ-পাউগী লমদা ফিল্ডদা চত্তুনা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা এফ এক্স বি ইন্দিয়া সরুক্ষগী প্রোজেক্ট ওফিসর সুনিল মীতৈনা বেসিক অন্দরষ্টেন্দিং ওন হুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা অমদি চাইল্ড ফেলবিয়ার কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রপার্সন থিয়াম রাজকেশ্বরনা চাইল্ড সেফটি এন্দ ইথিকেল রিপোর্টিং ওন চাইল্ড রাইটস ইশ্যু হায়বা হিরমদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

মহা রাস লীলা উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
পুৱারী ওইরবা তখেনগী খ্বাইদগী লিরবা অগরতালা রাধানগরগী মহা রাস লীলা ঙরাং নুমিদাং চুপ্পা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নুমিদাং পুং ৯ তাবদা ত্রিপুরাগী ফোরেষ্ট মিনিষ্টর মেবার কুমার জমাতিয়ানা মৈরা চুখত্তুনা ২২২ শুবা হন্দক চহীগী মহা রাস হৌদোকখি। মহারাসকী মমাংদা নৎ, সঙ্কৃর্ত্তন পাঙথোকখি। নৎ সঙ্কৃর্ত্তনদা পুংদা নাওরেম মাধভ সিংহ, লৈশাংতেম সুরজিৎ, ঈশৈদা ফান্দম সোমেন সিংহ, দোহারদা ৱাংখেম মোধুমঙ্গোল য়াওনা পালা ৯ শরুক য়াখি।

শ্রীশ্রীরাধামাধব জুগোল মুর্ত্তি লেংথোরক্লগা থোঙাম ওংবী কবিতা দেবীনা গোপি লুচিংলগা সঞ্জেনবম ওংবী অনন্দি দেবীনা মথং চৎপী গোপি শাদুনা গোপি ১৮ না রাস লীলাদা শরুক য়াখি। হন্দক চহীগী রাস লীলা দা সিলচরগী ওজা রাজ কুমার সত্যজিৎনা রাস ধারি ওইখি। সুত্রাধারি অহুম মখোয় অদুদি ময়াগা, সুচিত্রা অমসুং অলোকা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি ১৭৯৮ দা মণিপুর নিংথৌ ভগ্যাচন্দ্রগী মচানুপী তখেন মহারানী হরিসেশ্বরি দেবীনা হৌদোকপীরম্বা মহারাস অসি ঙসি ফাওবা মীতৈনা মরু ওইনা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্তুনা লাকখি হায়রি।

‘দেসামগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্লগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ১৯ শুবা ফাউন্দেসন দে লাক্লিবা জনুৱারী ৩ দা পাঙথোক্লগনি হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপোগন্দা সেক্রেটরি এস ঐচ রিসিকুমার শর্মানা থাদোরকপা চেরেল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা চহী কয়াদগী তাকপী তম্বীবগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরিবা ওজাশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচবা ওইনা কৎচবা চিংউ মাইচৌ খোঙনাংথাবা খোঙা (এৱার্দ) ২০২১ গীদমক এপ্লাই তৌনিংবা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লনাই স্কুলশিংদা ওজা ওইদুনা তাকপী তম্বীরিশিংনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে চাংশিং দেসামগী ময়ায় লোইশঙদা নৎত্রগা মশা লোইশঙশিংদা থাজিনবীরকপা য়াগনি। চে চাংশিং থাজিল্লকপা মতমদা বাইওদাটা, স্কুলগী হেদ, লৈকায়গী ক্লব মরী লৈনবা জেদ ঈ ও/দি আইগী রিকমন্দেসন লোয়নরবীরক্কদবনি। এৱার্দ অসি দেসামগী ১৯ শুবা মপোক কুমওন নুমিত্তা লান্থোক্কনি হায়নসু চেরাল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
জে এন মণিপুর দান্স একাদমিগী প্রধান গুরু ওইরম্বা আর কে নবিন্দ্রনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাকসু) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সুননদেব ৱাহেংবমনা থাদোরকপা চেরেল অমনা হায়, ওজা আর কে নবিন্দ্রনা লৈখিদবা অসি ইরমদম অসিগী লৈজরিবা মণিপুরী জগোয় ঈশৈবু পামজরিবা পুম্নমক্কী মফমদদি য়াম্না চাওনা মাংজবা হায়বদু ওইরে। ওজা অসিনা লৌরম্বা থৌদাং খুদিংমকপু অমাকসুনা কাওবা ঙম্লোই। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোন্দা অমাকসুগী থৌমী খুদিংমক্না থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তানা পোঙদোরক্লি।

হোম ক্বারন্টিন তৌরিবশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
থৌবাল এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল এ সিদা কোভিদ-১৯ গী ভোল্যুন্টিয়রশিংনা এ সি অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুং ৭০ রোমদা ঙসি চানা থক্নবা অমদি মাস্কনচিংবা পোৎলম কয়া কোয়না চত্তুনা তেংবাংখ্রে হায়রি।

খাঙবোক এ সিগী ওইনা এম এল এ, ও সুর্জকুমারগী মীৎয়েং মখাদা ভোল্যুন্টিয়রশিং অসিনা ইমুং ৪০ রোমদা কোয়না চত্তুনা নোংমদা চঙবা চানা থক্নবা পোৎলম কয়া অমদি মাস্কশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

কৈন্যানা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদগী কনবদা মতেং পাংবা ওইনা লুহোংলমদাইদা কৈন্যানা উ পাম্বী অমা থারম্বগী চৎনবীগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কাইরেনবিখোক মমাং লৈকায়দগী ফিজম নন্দেশ্বরি অমসুং ফিজম ওংবী সোরোজিনি দেবীগী মচানুপী অতোম্বী ফিজম থোইথোই দেবীনা উহৈ পানবা উপাল য়াওনা উ পানবী অহুম থাখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুগী মখা তারকপদসু লুহোংগদৌরিবী কৈন্যা খুদিংমক্না হৈজিংপোৎ নুমিত্তা উপাল অমমম থাবীরমদুনা মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসিদগী কনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘কবুই ফুরুপ কন্দবা য়াদবা তাঞ্জা লাক্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):
মণিপুরদা খুন্দারিবা মশাগী লাইনিং লোইশোন ঙাক্লা চৎলিবা য়েলহৌ ফুরুপ অমসু ওইরিবা কবুই ফুরুপপু মায়কৈ কয়াদগী মুথৎনবা হোৎনরকপদগী কন্দবা য়াদবা তাঞ্জা অদু ঙসিদি লাক্লে হায়না ওল মণিপুর কবুই ষ্টুদেন্স য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লিশাংশিংনা কবুই ইপা ইপুগী লাইনিং অসিবু নমথনবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরক্লি। মসিনা লৈখা তাখ্রবদি কবুইগী অশেংবা মচৎ খুদিংমক মাংখিদুনা হৌগৎলক্তবা য়াই। কবুইগী লাইনিং লাইশোন/কষ্টমরি ফেষ্টিবেলশিং কবুই ওইনিংদ্রবশিংনা মুন্নবা হোৎনরকপা ঙসিসু লেপত্রি। মসি তৌরোইবনি। গান ঙাই কবুই খত্তগী অশেংবা ফেষ্টিবেলনি। কবুই ওইনিংদ্রবশিংনা সেলেব্রেসন কম্মিটি শেমদুনা মুনবগী মথৌ তাদে। কবুইগী শক্তম ওইরিবা গান ঙাই ফেষ্টিবেলবু শেন্দাল লম্বী ওইবা য়ারোই। কবুইগী পুৱারী কবুই খত্তনা খঙই। মসিদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফিয়রস এন্দ হিলসনা কবুই ফুরুপপু নমশিন্দুনা অমদি ঈ মরিবু মচেৎ মকায় তানা থুগাইনবা শিল্লোইদবনি। কবুই ফুরুপকী ইনাৎ, লাইনিং লাইশোনবু মুথৎনবা হোৎনরকপশিং ওল মণিপুর কবুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না চপ চানা থেংনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY.& A.H. SERVICES

E-TENDER NOTICE
Imphal, the 26th November, 2020

No. 1/NLM/2014-Vety.(Pt-I) : The Director, Vety. & A.H., Govt. of Manipur hereby invites E-Tender with 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details and Price Bid indicating item-wise price of the items from all intending reputed and registered firms/suppliers/ manufactures/ distributors/authorized dealers for supply of the following items under National Livestock Mission during the year 2020-21.

Sl. No.	Name of Components
1.	Rural backyard Poultry development programme (low in-put technology bird)
2.	Rural backyard Goat development programme
3.	Rural backyard Pig development programme
4.	Distribution of Hand Driven Chaff Cutters

Specifications of each item are enclosed in the Annexure "I" and "II". Rates to be quoted are to be Free on Rail (F.O.R) destination of the concerned District of Manipur inclusive of GST and transportation charges.

The detail of the Tender will be available on the website **www.manipurtenders.gov.in**

Sd/- **H. Chaoba Singh**
Director, Vety.& A.H. Services,
Manipur.

HL-B/6573/1

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR
NOTIFICATION

Dated, the 27th November, 2020

NO AGM-1/526/SMAM/2020-21: This is to notify to all the interested farmers, rural entrepreneurs and farmer group that under the scheme of Sub Mission on Agricultural Mechanization (SMAM). Department of Agriculture, Manipur is to provide subsidy/ assistance on purchase of farm machinery and equipment as well as for establishment of farm machinery bank for custom hiring for the year 2020-21 as per prescribed pattern of assistance. Prescribed application format, pattern of assistance, list of equipment and list of approved dealers may be obtained from the Directorate office, Sanjenthong or the concerned District Agriculture Officer's Office or from the Director Agriculture website www.agrimanipur.gov.in. **All applicants (both individual and Groups) shall register themselves Online in the NIC portal www.agrimachinery.nic.in (identified master trainers in the respective DAO office shall assist the applicants with registration in the portal) and in addition they will also submit their application in hard copy as per prescribed format to the Office of the DAO concerned within the stipulated time.** Further farm equipment/machinery can be procured only from the following agencies who have on boarded in the DBT portal.

1. Jamunalal Mangilal & Co. - Paona Bazar
2. EDC (Agro-Division) - Kwakeithel
3. M/s HR Agency - M.G Avenue
4. East India Machine Company - Mantripukhri
5. M.I Tractor and Machinery - Khongman
6. M/S Saikhom Tractor Sales and Services Centre - Canchipur
7. M/S WAIAGRIM - Konung Mamang
8. M/S Nganbi Motor - Kakwa, Singjamei
9. M/S Ravi Motors - M.G Avenue

2. **Group Scheme:** For Group Scheme (Custom hiring center, village-based mechanization, etc.) the applicant group has to submit DPR. Format of DPR and the scheme of assistance/ subsidy is available at www.agrimanipur.gov.in. All applications both individual & Groups are to be submitted to the concerned DAO both in hard copy and Online registration is also a must. Thereafter, DLEC will take up draw of lots for selection of beneficiaries.

3. Individual & Group Farmer applicants have to register in the central DBT portal **www.agrimachinery.nic.in. Application submitted only in hard copy and not registered in the portal mentioned above shall be treated as incomplete and rejected.**

5. Last date of form submission is 18.12.2020.

Sd/- **Laltanpuii Vanchhong**
Director of Agriculture: Manipur

HL-P/8121/29/11 & 1/12

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/6508/06/11-05/12

CROSSWORD-3633



ACROSS
1 Eye make-up (7)
5 Holy city of Islam (5)
8 Pick-me-up (5)
9 Platform for public speaking (7)
10 Tell a story (7)
11 Guile (5)
12 Lure (6)
14 Asian sultanate (6)
18 Parsley, sage, rosemary and thyme (5)
20 Flies, beetles, etc (7)
22 Mozart's middle name (7)
23 Bring up (5)
24 Slumber (5)
25 Run away (7)

DOWN
1 Afternoon show (7)
2 Underwater detection system (5)
3 Antiquated (7)
4 Aviators (6)
5 Harmonious sounds (5)
6 Sure (7)
7 Let in (5)
13 Connected row of houses (7)
15 Holiday destinations (7)
16 Stained (anag) (7)
17 Afternoon snooze (6)
18 Coin-tossing call (5)
19 Farm animals (5)
21 One of the Marx Brothers (5)

Solution 3632

R	E	G	G	A	E	■	O	B	L	O	N	G
A	■	R	■	S	■	■	■	L	■	W	■	A
S	P	I	E	S	■	T	R	I	V	I	A	L
C	■	D	■	E	■	H	■	S	■	N	■	O
A	U	D	I	T	O	R	■	T	I	G	E	R
L	■	L	■	■	■	O	■	E	■	■	■	E
■	■	E	M	P	O	W	E	R	E	D	■	■
T	■	■	■	R	■	A	■	■	■	R	■	S
H	O	R	S	E	■	W	I	T	H	O	U	T
O	■	A	■	S	■	A	■	R	■	P	■	I
M	E	R	C	U	R	Y	■	A	D	O	R	N
A	■	E	■	M	■	■	■	D	■	F	■	G
S	O	R	B	E	T	■	B	E	L	F	R	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3432

6	4				5		8	
				6		1	5	
			4					7
8				3	6		7	
	7		2		8		6	
	9		1	5				8
1					9			
	6	7		1				
	8		5				1	6

Solution-3431

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

3	2	9	6	7	4	5	8	1
4	8	1	5	3	9	2	7	6
6	5	7	2	1	8	3	9	4
5	7	2	4	6	1	9	3	8
9	4	3	8	5	2	1	6	7
8	1	6	3	9	7	4	5	2
2	3	4	9	8	6	7	1	5
1	9	8	7	4	5	6	2	3
7	6	5	1	2	3	8	4	9



লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম


বোম্বেদা তৌবা আন্দোলনগী মিতিন অমা য়াওনবা মহাক বার্তোন ফংখিরম্মী।
মিতিন্দুদা মণিপূরগী মহৎ শিন্দুনা ৱা ঙাংবদা মীয়াম্না মহাকপু থাগৎনখিরম্মী।
ভারতকী মীয়াম্না মহাকপু অশেংবা কম্যুনিষ্ট লুচিংবনি হায়না শকখঙনাখিরম্মী।